## ‘মণিপুর, অসামগী ঙমখৈ শোক্লক্লবদি কৈদৌনুংদা তুমীন্না লৈরোই’

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): এন এস সী এন-আই এম অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মরক্তা চথরিবা পিছ টোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবগীদমক খুৎয়েক পীনগদৌরিবা এগ্রিমেন্ট অদুদা করিগুম্বা মণিপুর অমসুং অসামগী ঙমখৈ শোক্লক্লবদি ওল অসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ এ এম এস য়ু)না কৈদৌনুংদা তুমীন্না লৈরোই হায়না ফোঙদোরক্লি।

এ এ এম এস য়ুগী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি কাঙস্বম সুভোজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নাগা ইস্যু অসিনা অসামগী ঙমখৈ অমদি মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়হল্লকপা তারগদি এ এ এম এস য়ুনসু অসামদা অকনবা খোঙজং চঙশিন্ননবা শেম-শাবা লোইরে। মণিপুর অমদি অসামগী ঙমখৈ শোকহন্দনবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুর অমসুং অসামগী মণিপুরীশিংগী ইহুল খঙনা থবক তৌবীগদবনি। পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদগী মণিপুরদা চীংমী-তম্মী ইচিল-ইনাও নুংশি-চান্ননা পুন্না খুন্দামিন্নদুনা লৈমিন্নরকপা অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা কৈদৌনুংদা থুগায়নবা হোৎনবীগনু। লমদমসিদা পুন্না হিংমিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মরক্তা তোখায়নবগী থৌওং চথবীগনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ইলেক্ট্রিক লাইনদা চরু কাপশিনবা য়ারোই

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): ককচিং সব-দিভিজন মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সী এল) না কোল্লিবা মফমশিংদা মীয়াম্না মেছিন শীজিন্নদুনা লৌ য়ৈবা মতমদা মেছিন মপু অমদি লৌ মপুশিংনা ইলেক্ট্রিককী হায় তেন্সন (ঐচ টি) লাইন অমদি ইলেক্ট্রিকী লাইনশিংদা চরু কাপশিনবা য়ারোই হায়না এম এস পি দি সী এল ককচিং সব দিভিজনগী মেনেজরনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, কনাগুম্বশিংনা হায়রিবা ৱাফমপ অসি থৌশাদদুনা হায় তেন্সন (ঐচ টি) লাইন অমদি ইলেক্ট্রিককী লাইনশিংদা চরু কাপশিল্লম্বা থেংনরবদি লৌ মপু অমসুং মেছিন মপু অনীমক লোগী মীৎয়েং লৌদুনা এক্সন লৌখৎকনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

## ট্রেনিং লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): মহৈরোয়শিংগী স্কোলারশিপশিং মতম চানা ফংহন্ননবা অমদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী তোঙান তোঙানবা মখলগী স্কোলারশিপশিংবু কম্মন পোর্টেল অমগী মখাদা ফংহন্ননবা পায়খৎলিবা থৌরাংশিংগা মরী লৈননা তমেংলোং হেদ ক্বার্টরসতা লৈবা জেদ ঈ ও তমেংলোংগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোরকপা প্রি মেট্রিক এন্দ পোষ্ট মেট্রিক স্কোলারশিপ স্কিম ফোর এস টি ষ্টুদেন্টস ২০১৯-২০ গী নেসনল স্কোলারশিপ পোর্টেল (এন এস পি) ট্রেনিং ঙসি লোইশিনখ্রে। দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রাইবেল এফেয়রস এন্দ হিলস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তমেংলোংনা পুন্না শীন্দুনা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি চথরকখিবনি।

জে এন এনগী ৱেব সাইট লোঞ্চ তৌখ্রে

## জিরিবামদা মীদিয়াগী রোল য়াম্না চাউই, মান্ননা চাউখৎপা লমদম ওইনবা হোৎনমিন্নসি : কে সরত কুমার

জিরিবাম, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ওদিটোরিয়ম হোল ওফ মল্টি য়ুটিলিটি কমপ্লেক্স, জিরিবামদা ঙসি নুংথিল জিরি ন্যুজ নেটৱার্ক কম্মিটি (জে এন এন সী), জিরিবাম, মণিপুরনা শীন্দুনা নেটৱার্ক অসিগী ৱেবসাইট অমা হৌনবী মতুংইন্না হাংদোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা কে সরত কুমার, ভাইস চ্যেরমেন মণিপুর ফুদ ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পোরেসন লিমিটেদ, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর /চীফ এদভাইজর, এফ ঈ দব্লিয়ু জিরিবাম, এম হরিকুমার প্রসিদেন্ট, জিরি ন্যুজ নেটৱার্ক কম্মিটি (জে এন এন সী) জিরিবাম, মোইরাংথেম মুবি এম পি এস, সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট, খোগেন্দ্র খোমদ্রাম প্রসিদেন্ট এদিটরস গিল্ড মণিপুর (ঈ জি এম), এন জি বিশ্বজিৎ প্রসিদেন্ট ওল জিরিবাম ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (এ জে দব্লিয়ু জে য়ু), রাজ নোংথোম্বম এদিটর ইম্পেক্ট টি ভি অমদি সেরাম হেরাজিৎ পব্লিসর মণিপুর ক্রোনিকল, জিরিবামনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা দেজদা ফমখি।

চীফ গেষ্টনা মৈরা চুখৎতুনা থৌরম অসি হৌদোকখি। জে এন এনগী এদিটর ইন চীফ এম দি মহিন লাস্করনা ৱেলকম এদ্রেস পীখি। ফাউন্দর এদিটর, জে এন এনগী রোমিও মোইরাংথেমনা কিনোট এদ্রেস পীরদুনা হায়খি, জিরিবাম হায়বা লমদম অসি ষ্টেটকী কেপিটেলদগী কিলোমিটর ২২২ রোম হেন্না লাপ্না লৈবা য়াম্না মরুওইবা দিষ্ট্রিক্ট অমনি। মণিপুরগী লৈরিবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিং শুনা লৈবা অপীকপা মিনি ইন্দিয়াগুম্বা অমনি। মফম অসিদা মীদিয়ানা লৌরিবা রোল অসি য়াম্না মরুওই। লোয়ননা হৌজিক্কী মতমদা হোংলক্লিবা গ্লোবেল ৱর্ল্ড অসিদা মীদিয়ানা লৌরিবা রোলশিং শিংথাবদা লোইবা নাইরোই। মতম মতমগী ঈ-পাউশিং খঙহনবনা খুন্নাই অমগী অমসুং ঐখোয় ইশাগী ওইনসু য়াম্না কান্নরবা অমনি হায়বসি মীপুম খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফমনি।

মসিনা মরম ওইরগা শোখরবা ইরমদম লমদম অসিদা মীদিয়াগী অওনবা অমা পুরক্লবা হোৎনরিবা জে এন এননা ঙসি ৱেবসাইট অসি লোঞ্চ তৌবনি। মসিনা মীয়ামদা কান্নবা খরদং ওইরবসু ফংগনি হায়বসি চেৎনা থাজৈ। মীয়াম্নসু ৱেবসাইট অসিদা চঙবীদুনা মতম মতমগী ঈ-পাউ, সজেসন অমদি এদভাইস তৌদুনা হেন্না অফবা পুরকপদা মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

জিরিবাম মচা অমসু ওইরিবা জিরিবামগী বাবুপারাদা লৈবা নোংথোম্বম তোম্বাগী মচানুপা নোংথোম্বম মাইপাকনা ৱেবসাইট অসিবু দিভলপ তৌবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা কে সরত কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি লোঞ্চ তৌরিবা জে এন এনগী ৱেবসাইট অসিনা জিরিদা থোকপা পাউশিং মালেম পুম্বদা লৈবা মীয়াম্না উবা ফংলগনি। পাউমীগী কলমনা নোংমৈদগী হেন্না থৌই অমদি পাউমীশিংদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হরাসমেন্ট তৌবীরোইদবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, জিরিবামদা লৈরিবা লায়রবা ইমুং অমদি অহল ওইরবা মীওইশিংগীদমক্তা খরদা ওইরবসু মতেং ওইনবা ওল্দ এজ হোম অমসু শারগনি। জিরিবামদা খ্বাইধগী লায়রবা ইমুংগী অঙাং ৩ খনগৎতুনা মখোয়গী মহৈ-মশিন তম্নবগীদমক্তা মতেং পীরগনি অমদি অহল ওইরবশিংগী ওল্দ এজ পেন্সনশিংসু পীরগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা এম হরিকুমারনা হায়খি, জিরিবামগী অমত্তা ঙাইরবা জে এন এন ন্যুজ এজেন্সী অসিনা লোঞ্চ তৌরিবা এজেন্সীসিগী ৱেবসাইট অসিগী মতেংদগী জিরিদা থোকপা ঈ-পাউশিং য়াম্না লাইনা উবা ফংলগনি। ৱেবসাইট অসিবু কাঙলোন চুম্না শীজিন্নদুনা চাউখৎপা অমদি য়াম্না মগুন লৈবা ৱেবসাইট অমা ওইহনসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ইম্পেক্ট টি ভিগী এদিটর রাজ নোংথোম্বমনা সী এস ও অমদি মীদিয়াগী রিলেসনগী মতাংদা স্পিচ পীখি হায়রি।

## লৈঙাক্না অমোৎপা হুন্দোকফম মতিক চানা পীরবদি লূ-নালহনবা ঙমগনি : কম্মিটি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): ইমা কৈথেল লূ-নালহন্নবা হোৎনবা মতমদা মীয়াম্নসু ৱাখল তাবীদুনা মফম চানা অমোৎ-অকায় হুন্দোক্লবদি নালগনি। লৈঙাক্নসু অমোৎপা হুন্দোকফম মতিক চাবা পীরবদি লূ-নালহনবা ঙমগনি হায়না কম্মিটি ওফ আই এম সী সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী মেম্বর দব্লিয়ু আনন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা দব্লিয়ু আনন্দনা হায়খি, থা অসিগী ৫ দা বোম পোকখায়বদু অমোৎপা লৈবদগীনি হায়বীরে। মসি অমোৎপা খোল্লিবা ৱার্করশিংদসু অচৌবা রিস্ক অমনি। বোম পোকখায়বা হায়বসি অমোৎপা লৈরবসু পোকখায়, লৈত্রবসু পোকখায়। অমোৎপা খোমজিনবগী থবক তৌরিবশিংবু লান্না উবীগনু।

সী আর ঈ দি, সী ও সী এস এম, কে দব্লিয়ু এ এম এস, এস য়ু দব্লিয়ু ও, এস এস এফ, টি এ সী দি ঈ এফ অমসুং দব্লিয়ু য়ু এমগী অপূনবা কম্মিটি শেমদুনা অমোৎ-অকায় খোমদোকপগী থবক তৌদুনা লাক্লি। অমোৎপা খোমদোক্লিবা মীওইশিং তূম্বা চাবা খঙবা নত্তে। নোংমদা পুং ১২ থবক শুরিবনি। পুং ৪/৫ চঙনা অমোৎপা খোল্লগা অমুক লমদেংদা চৎপদা ক্যু লেংলিবনি। নংহৌদ্রগনা অমোৎপা গাড়ীসি পুরগা হল্লক্লিবনি। মীয়াম্নসু ৱাখল তাবীবা চঙই। কৈথেল অমদি দুকান্দা লাকপদা অমোৎপা কদায়দা থমগনি হায়বসি খঙবা চঙই। কৈথেল মনুংদা অমদি অকোয়বদা বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা অৱা-অনা তাখিবা শোয়নাইবা য়াওখ্রবনি। অমোৎপা খোম্বশিংদা মীপায়বা পোক্লিবনি। অমোৎপা থাদবগী মতম অসি নোংমদা অনীরক পীবীয়ু। অমোৎপা খোম্বগী থবক তৌরিবা এন জি ও তরেৎ পুল্লগা থবক তৌবনি। মসিদা শীজিন্নরিবা গাড়ী ৬০ নি। হুন্দোকফম মতিক চাদবনা অৱাবা মায়োক্নৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কম্মিটি অসিগী কনভিনর এল প্রেমজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, লৈঙাক অমসুং আই এম সীনা সাইন তৌনরিবসি অমোৎপা তাশিন-খোমজিল্লগা থম্বনি। অমোৎপা পুদুনা চৎলিবা গাড়ীসি নোংমদা অমুক্তংগী হেন্না থাবা ফংদে। কালেন অমসুং নোংজুথাদা লাইবক থীবা ওই। অমোৎপা নমশিন্দুনা থম্বা হায়বসি হকচাং শোক্লিবনি। লমদেংদা লৈরিবসি অয়ুক পুং ৭.৩০ দগী হাংই। আই এম সীগী এক্সকাভেটর লাক্রবদি অমুক য়াদে। অয়ুক পুং ৭.৩০ দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা হাংই। লৈঙাক্না অমোৎপা হুন্দোকফম মফম চানা পীরবদি অমোৎপা লৈতবা য়াই। অমোৎপা হুন্দোকফম লৈরবদি ৱানিংঙাই লৈতে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা উমেস অমদি এন জি ওশিংগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

## ভগ্যচন্দ্রগী মপোক নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): শ্রীদর্শনী বূক পব্লিকেসন্স, ইরোইশেম্বানা শীন্দুনা ঙসি মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা মহারাজ রাজশ্রী ভগ্যচন্দ্রগী ২৯০ শুবা মপোক নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট কাংজম ইবোহলনা হায়খি, রাজশ্রী ভগ্যচন্দ্রনা থল্লম্বা কলচর অসিনা মালেমদা ফিদা কল্লে। মপোক নুমীৎ অসিদা আর্ট এন্দ কলচর অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা নৈনবা য়াই। সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা য়েৎনদনা পুথোকপা চঙই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা হিষ্টোরিকেল এন্দ কলচরেল রিছার্স সেন্টর, ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম ইন্দ্রমনিনা হায়খি, ভগ্যচন্দ্রগী মপোক নুমীৎ অসি কুমজা ১৭২৯ অমদি ১৭৪০ গা য়েৎনবনি। কুমজা ১৭৪০ হায়বসিনা নামৈরাকপমগী কুম্বাবা অমা লৈরি। টেক্সতা ইবা নত্তবা লাপান্দা মৈতৈ ময়েক্কী ইবা অসি য়াম্না থেংনা ই হায়বনি। বেঙ্গোলিদা ইবদি অথেংবদা ইবনি হায়বা তাকই। ভগ্যচন্দ্র নৎত্রগা লবানচন্দ্রগী মতমগী কবিনি।

ভগ্যচন্দ্র অসি পোকপদা কোনুংদা লৈরিবা চৈথারোল কুম্বাবাদা চন্দে। কোনুংদা লৈবা নিংথৌ মচাশিংদি চল্লি। ভগ্যচন্দ্রগী অপোকপা নিংথৌ ওইদবনা ময়াম্বা গৌরাশ্যামসু ভগ্যচন্দ্রসু চল্লমদে। কোন্না নিংথৌ ওইরকপনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি রাসেশ্বরী পালা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট চোংথাম য়ামিনিনা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়গী হিষ্ট্রি অমসুং কলচরদা রিছার্স তৌবা য়াম্না ৱাৎলি। করিক্যুলমদা হাপ্পা চঙই। নোংমখক সেমিনার পাঙথোকপনা অচুম্বা ফংবা ঙমগদবা মান্দে হায়খি। ওরিএন্টেল কোলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর থৌদাম অচৌসু ৱাঙাংলোয় ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

## ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা নবেম্বর ৯ অমসুং ১০ দা শিল্লোংগী মণিপুরী রাজবারিদা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ মেঘালয়াগী ১৫ শুবা চহীগী কনফরেন্স অমদি লিটরেরি মীট য়াওরুনবগীদমক প্রোগ্রেসিভ রাইটরস এসোসিএসনগী সেক্রেটরিনা লুচিংবা মীহুৎ কাঙবু অমা ঙসি অয়ুক ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়না প্রোগ্রেসিভ রাইটরস এসোসিএসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি আর কে জিতেন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## ধাকাদা ট্রেদিসনল মণিপুরী কলচরেল ইভিনিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): ধাকাবাসি মণিপুরী বাংলাদেশনা শীন্দুনা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমী অমদি ৱর্ল্ড থাঙ-তা ফেদরেসন মণিপুরগী কলচরেল প্রোগ্রাম খুদোল তম্বা ট্রেদিসনল মণিপুরী কলচরেল ইভিনিংগী থৌরম বাংলাদেশকী লিবরেসন ৱার ম্যুজিয়ম ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা মিনিষ্ট্রি ওফ প্লান্নিং, গভর্ণমেন্ট ওফ পিপলস, রিপব্লিক ওফ বাংলাদেশ মহম্মদ অব্দুলনা ফোঙদোকখিবদা, ধাকাদা পাঙথোক্লিবা মণিপুরী কলচরগী প্রোগ্রাম অসিগীদমক চাউথোকচবা পোকই। মণিপুরগী কলচরদা খোংজোম পর্ব্ব অসিসু মরুওইবা অমনি। ধাকাদা লৈরিবা ময়ামগী ৱেলফ্যেয়র পীনবা হোৎনবদা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরদা প্রপোজেল থারগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা ধাকাবাসি মণিপুরী ধাকাগী প্রসিদেন্ট কে নিলমনিনা হায়খি, ধাকাবাসি মণিপুরী অসি ধাকাদা লৈরিবা মৈতৈশিংগী সোসিও কলচর য়োকখৎনবা অমদি হিংহন্নবগী পান্দমদা লিংখৎখিবনি। নিংঙোল চাক্কৌবা, চৈরাওবা অমদি নুপীমচাশিং কলচরেল এক্টিভিটি কয়াসু পাঙথোক্লি। বাংলাদেশতা মৈতৈ লিশিং ১৫ দগী হেন্না লৈতে। অদুবু মায় পাক্লদি হিংলি। লাইরিক হৈবগী চাংসু হেনগৎলে। পুঙ-ঈশৈ, জগোয়গী লমদসু হোৎনরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

জে এন মণিপুর দান্স একাদেমী অমদি ৱর্ল্ড থাঙ-তানা লুচিংদুনা ধাকাগী মৈতৈশিংবু মীকপ থোকহল্লে। ইপসা য়াওনা বাংলাদেশতা লাক্লুনা খঙহনবসি থাগৎলি। মিনিষ্টরনা য়াওবা অসিসু নুংঙাইবা পোকই। পার্মিনেন্ট ওফিস অমা পীবীয়ু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ইপসাগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজম, বাংলাদেশ সুপ্রীম কোর্টকী সিনিয়র এদভোকেট সুরচন্দ্র, রিটয়ার্দ এদিসনল সেক্রেটরি সসিকুমার, ইন্টরনেসনল কার্দিওলোজি ডা. অরুনকুমার, সধানা ধাকা আর্টিষ্টকী দিরেক্টর লুবনা মারিয়মনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

## কন্দেম তৌই

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): থাঙ্গাল বজার সনি মন্দির মনাক্তা মীয়াম তীনবা মফমদা থা অসিগী ৫ গী অয়ুক পুং ৯.২০ রোম তাবদা বোম পোকখায়খিবা অদুদা এদিসনল এস পি (ওপস) ইম্ফাল ৱেষ্ট লমাবম অমরজিৎ, লংথবাল কুঞ্জ ময়াই লৈকায় য়াওনা পুলিস পর্সনেল ৫ অমদি মীচম অমা শোকহনখিববু দিভাইন লাইফ ক্লব লংথবাল কুঞ্জা ময়াই লৈকায়না কন্দেম তৌই হায়না ক্লব অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এস ইনাওনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। কনানা করি মরমগী মীয়াম তীনবা মফমদা বোম পোকখায়হনবনো অমসুং মতুংদা অসিগুম্বা অসি অমুক হন্না থোকহনবীগনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## দ্রাইভ চথখ্রে, উচেক লাংশিং ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি এফ ও দেবলা লাইফ্রাকপমগী মীৎয়েং মখাদা থৌবালদা মোবাইল টিম অনী থোক্না খায়দোক্তুনা উচেক লাংশিং ফাগৎনবা চথরকপা দ্রাইভকী মনুং চন্না ঙসি ককচিংগী টিমনা দ্রাইভ চথখ্রে।

ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী পাউ অমনা হায়, লৌসিপাৎকী অকোয়বদা উচেক ফানবা লাং কয়ামরুম থাক্তুনা লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী পল্লেলগী বি ও, এম দি সলাউদ্দিননা লুচিংবা ককচিংগী টিম অমনা ঙসি অঙনবা অয়ুক্তগী দ্রাইভ চঙশিনবদা ইরেংবন্দ রোদকী ইষ্টর্ন সাইটতগী লাং কয়ামরুমসু ফাগৎলে হায়রি।

ককচিং টিমনা ফাগৎলক্লবা লাংশিং অদুদা থুরম্বা তিঙ্ঘ্রি (ৱাটর দক) অনী য়াম্না চেকশিন্না লৌথোক্লবা মতুং অমদি ট্রিটমেন্ট পীদুনা থাদোকখ্রে হায়রি। ঙসিগী দ্রাইভ অদুদা ৱাইল্ডলাইফ ৱার্দেন থৌবাল দব্লিয়ু রামচন্দ্র অমসুং য়াইরিপোককী বি ও, এম বিরেনসু শরুক য়াখি হায়রি।

## লৈশেম্বা য়াইবিরেননা মালেমগী মপুনি ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): এম্বেসেদর ফোর খৃষ্ট মণিপুর ভেলিগী দিরেক্টর রেভরেন্দ রেংহাং য়ুলহুংনা ইবা লৈশেম্বা য়াইবিরেননা মালেমগী মপুনি হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা ফোঙখ্রে।

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস গার্জিয়ান ওর্গনাইজেসন মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা ডা. আর কে নিমাইনা ফোঙদোকখিবদা, লাইরিক অসি ইন্দিজিনস পিপলশিংগী কম্মন ওরিজিন লৈশেম্লোন্দগী হৌরগা ইবা লাইরিকনি। মণিপুরগী ফীভমসিদা ইথনিক কম্যুনিটিগী এস্পিরেসন ময়াম তোঙান তোঙান্না তারকপা অসিদা অসিগুম্বা লাইরিক অসিনা ঐখোয় অমত্তনি হায়না ফোঙবসি মতম চাই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সোসল লিদর লেন গাংতে, অমুকোগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ নন্দো লুৱাং, হেরিকোনগী প্রসিদেন্ট এল রতনকুমার অমদি য়ু সী এমগী ভাইস প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ সোমোরেন্দ্রোনা স্পেসল ইনভাইটি ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা অইবা রেভরেন্দ রেংহাংনা ফোঙদোকখিবদা, মালেমদা খুন্দারিবা অসিগী মনুংদা মান্নদবা খুন্নাই কয়া থোরক্তুনা মীওইবা মশেলগী মরক্তা য়েংথিনবা কয়া থোক্লি। মসিগী হৌরকফমদি ঐ, নং, মা হায়বা ৱাখল অসিদগী মতোল চোংলক্তুনা মীতোপকুম উনরক্তুনা খাইনবগী শম্বল খারকই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## দাইবেটিস দিটেক্সন কেম্প পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): ৱর্ল্ড দাইবেটিস দেগা মরী লৈননা লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল সাউথ ইষ্টর্ননা লাইওন্স ক্লব ওফ মোরে বোর্দর টাউনগা খুৎশম্না ফ্রি দাইবেটিস দিটেক্সন কম এৱ্যেয়র্নেস কেম্প অমা লাক্লিবা নবেম্বর ১০ গী অয়ুক পুং ৮ তাবদগী মোরে গেট নম্বর টুদা পাঙথোক্লগনি। কেম্প অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা ডোক্তরশিং অদু ডা. সী ঐচ মংলেমনা লুচিংগনি। তোঙান তোঙানবা লমদা হৈথোইশিংথোইরবা ডোক্তর কয়াসু শরুক য়াগনি। মরী লৈনবশিংনা দাইবেটিস দিটেক্সন কেম্প অসিদা শরুক য়াবীয়ু। লোয়ননা মথৌ তাবশিংদা লেম্না হিদাক লাংথকসু ফংহনগনি। দাইবেটিস টেষ্ট তৌবগা লোয়ননা অনা-লায়েংগী থবক কয়াসু চথনবগীদমক শেম-শারি। ডোক্তর টিম অমনা লায়েংবগী থবক তৌগনি হায়না লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল সাউথ ইষ্টর্নকী সেক্রেটরি এন জে কে সিংহনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## য়ু পিদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেসকী প্লেনরি সেসন শরুক য়ানবগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়ন নেসনল ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেসকী ৩২ রকশুবা উত্তর প্রদেশকী কানপুরদা থা অসিগী ১১ দগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা প্লেনরি সেসনদা শরুক য়ারুনবগীদমক ৱার্কিং কম্মিটি মেম্বর য়ুম্নাম রনাপ্রতাপ, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং থৌদাম সোবীতা চ্যেরমেন, ৱিমেন ৱিং, ইন্দিয়ন নেসনল ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস, মণিপুর ব্রাঞ্চ অমদি কামৈ রানি রোংমৈ, এগজিক্যুটিভ মেম্বর মীওই অহুম অসিগী মীহুৎ কাঙবু অমা থৌরম অসি শরুক য়ারুনবা ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়না য়ুনিয়ন অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি কে এস ঐচ দ্বিজমনিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কুমজা ১৯৪৭ গী মে ৩ দা শেমখিবা ইন্দিয়ন নেসনল ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেসনা প্লেনরি সেসন অমদি ৱার্কিং কম্মিটি কয়া ইন্দিয়াগী শিন্মী মীয়ামগীদমক য়াইফনবা খন্নরগা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মফমদা তক্ল-তক্লদুনা মাঙদা থবক ওইনা ওন্থোকখিবা কয়া অমা লৈখ্রে। ৱার্কিং কম্মিটিগী ৩০ লকশুবা প্লেনরি সেসন ওরিষাগী ভুবনেশ্বরদা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ২৭ অমদি ২৮ দা পাঙথোকখি। হন্দক ৩২ রকশুবা কানপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী মমাঙদা কুমজা ২০১৫ গী দিসেম্বর ৩ দগী ৫ ফাওবা দিল্লিগী তালকোতরা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ৩১ রকশুবা প্লেনরি সেসন পাঙথোকখিবনি।

থা অসিগী ১১ দগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী অমদি রাহুল গান্ধীসু য়াওগনি। কোংগ্রেস পার্টিগা ইন্টুক্কা অনীগী মরী হেন্না চেৎশিনহন্দুনা ইন্দিয়ন নেসনল ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেসকী মেম্বর খুদিংমক্না ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্ট অমসুং ষ্টেট এসেমব্লী মীখল খুদিংমক্তা শৌগৎলগা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্ট অমসুং ষ্টেট এসেমব্লীদা কোংগ্রেসকী লৈঙাক লৈহন্নবা হোৎনবা হায়বা অসিসু ইন্দিয়ন নেসনল ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেসকী অচৌবা থৌদাং অমনি হায়নসু য়ুনিয়ন অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি কে এস ঐচ দ্বিজমনিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারি।

## টিচরস দে কম ফ্রেশরস মীট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭: থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ৱাংখেম-হুইদ্রোম লৈকায়দা লৈবা য়াইরিপোক য়ুনিভর্সেল কোলেজগী টিচরস দে কম ফ্রেশরস মীট ২০১৯ গী থৌরম ঙসি কোলেজ অসিগী কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱাই য়ু সীগী গভর্ণিং বোদিগী ভাইস চ্যেরমেন ডা. মাইবম রাজেন্দ্রনা অথোইবা মীথুং, কোলেজ অদুগী প্রিন্সিপাল ডা. কে ঐচ বুধচন্দ্রনা থৌরম মপু অদুগা কোলেজ গভর্ণিং বোদিগী সেক্রেটরি লাইশ্রম জয়কুমার অমদি জোইন্ট সেক্রেটরি এস মনিতোম্বা মঙাংনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ৱা ঙাংখিবশিংনা করিগীদমক টিচরস দে অমদি ফ্রেশরস মীট পাঙথোক্লিবনো হায়বগী মতাংদা শন্দোকপা ৱাফমশিং থম্মখি। লোয়ননা মহৈরোয়শিংনা কোলেজ অদুগী ওজাশিং অমদি গভর্ণিং বোদি ফাউন্দর মেম্বরশিংদা অচম্বা খুদোল তমদুনা য়াইফ থৌনিজদুনা নোল্লুকপা উৎখি। মহৈরোয়শিংনা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা কাঙলুপ ফুরুপশিংগী শক্তম লাংদুনা য়ুনিটি ইন দাইভর্সিটি হায়বা পান্দমদা অপূনবগী শক্তম উৎখিবগা লোয়ননা নাৎকী ওইবা জগোয়-ঈশৈ কলচরেল প্রোগ্রাম কয়াসু কোলেজ অদুগী মহৈরোয়শিংনা উৎখি হায়রি।

## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): কিদস ফাউন্দেসন ভেন সর্ভিস য়ুনিয়নগী এক্স-ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা হুইদ্রোম ইবোমচা, এ এম এস এস টি এ আই দি নম্বর ২৪১৫, মোংশাঙ্গৈ লাই লৈরক্তা লৈবনা থা অসিগী ৪ দা ইখঙ-খঙহৌদনা মশাগী অনাবা অমদগী তাইবংপাল থাদোকখ্রে হায়না কিদস ফাউন্দেসন ভেন সর্ভিস য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি সলাম সঞ্জিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। মহাক্না লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি। কিদস ফাউন্দেসনদা মিনট ২ তুমীন্না লেপ্পুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিখ্রে হায়রি।

## ‘ককচিং ইরেংবন্দ লৌকোলদা ইস্কোন লাইশঙ শাবা য়ারোই’

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): ককচিং ইরেংবন্দ লৌকোলদা ইস্কোন লাইশঙ শাবা য়ারোই হায়না মীতৈ ইন্টরনেসনল সিভিল এক্সন নেটৱার্ক (মিকন) চীফ কো-ওর্দিনেটর অথৌবা মৈতৈ অমদি লিগ ওফ ইন্দিজিনস ফার্মর্স এন্দ টেক্নিসিয়ন্স (লিফ্ট) কী সেক্রেটরি পি কে ৱাকম্বমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লৌবুকশিংদা মখল অমত্তগী কন্সত্রক্সন তৌবা য়ারোই হায়না কন্না লাওনরিঙৈ চৈরকসিদা লূপ অসিনা মিং ওইনদি পন্নিংদবা মীওই খরনা নারোন্দা লৌতুনদুনা ককচিং ইরেংবন্দ লৌকোলদা ইস্কোনগী লাইশঙ শাগনি হায়না থৌরাং তৌরিবসি তশেংনমক মীয়ামগী লাইবক থীবনি অমদি ফীভম অমত্তদা লূপ অসিনা য়াবা ঙল্লোই। অসিগুম্বা থৌওং অসি লূপ অসিনা তরাইনা লৌবা ঙল্লোই। লূপ অসিনা লাইনিং-লাইশোনগী মিংদা খেন্নবা মীৎয়েং অমত্তা থম্বা লৈতে। অতম্না ইস্কোন লাইশঙ শাবদা অথিংবা থম্বসু লৈতে, তৌবতবু লৌফমদা শাবীগনু হায়বা খক্তনি। অতোপ্পা লৌউ-শিংউবদা শীজিন্নবা য়ারোইদবা মফম অমদা লাইশঙ অসি কন্সত্রক্সন তৌবদা লূপ অসিনা অয়েৎপা অমত্তা পীবা তৌরোই।

ঙসি ফাওবদা লূপ অসিনা লিশাং শিংনা চথরকপা মিসন সনালৈবাক্কী শরুক অমা ওইনা লৌবুক্তা পায়খৎপা হৌরম্বা অমদি হৌগে তৌরম্বা লৌউবগা মরী লৈনদবা কন্সত্রক্সন কয়া অমদি থবক থৌরম কয়া থিংজিনখ্রে। হৌজিকসু লেপ্পা লৈতনা চথরি অমদি চথখিগনি। লমদম অসিদা নুংশি-চান্ননা ইরৈবাক অসিগী লৈহাওদা হিংমিন্নরিবা মীয়াম পুম্নমক্না মথৌ তাবশিং খঙবীরক্তুনা চিল্লবা মতম কয়া কায়থোকপীদুনা অসিগুম্বা ইশা-ইশাগী লমদমদা লৈবা লৌবুকশিংদা চথদুনা লৈরম্বা লৌউবগা মরী লৈনদবা থবক থৌরম কয়া লূপ অসিদা কোল তৌদুনা খঙহনবীরকপা, ফোটো নমদুনা ৱাটচএপ তৌবীরকপা অমদি দ্রাইভশিংদা হকথেংননা শরুক য়াবীবা অসিমক্না মিসন অসি শোয়দনা মায় পাক্লগনি হায়বগী ময়েক লারবা খুদমনি। মীয়ামদা লূপ অসিনা তৌবীমল খঙবা উৎচরি অমদি মখা তানা মিসন অসিবু শৌগৎপীয়ু।

অমরোমদা, লমদম অসিগী মীয়াম্না অচৌবা আশা কয়াগা লোয়ননা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা থাগৎখিবা এম এল এ, মিনিষ্টরশিংনা ইশা-ইশাগী এ সীশিংদা লৈরিব লৌবুকশিংদা চৎনরিবা অসিগুম্বা থৌওং কয়া অসি উনা উনা উশিন্নদনা লৈবসিদি তশেংনমক পূক্নিং নুংশিনিংঙাইনি। মীয়ামগী মীহুৎশিংনা খরা হেন্না থৱায় য়াওশিন্দুনা মঙক কন্দুনা খঙলোই উরোই মতাগুম লৌবুক্তা চথনবা হোৎনরিবা প্রোজেক্টশিং অসি মতম চানা থিংহৌরবদি অতেনবা মতমগী মনুংদা লমদম অসিগী মীয়াম্না মায়োক্নগদৌরিবা চাবা ফংদবগী অৱাবা থৌদোক অসিদগী কনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি।

লূপ অসিগী মায়কৈদগী নোটিশ ফংলবা মীওই খুদিংমক্না খুদক্তা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক থৌরমশিং লেপ্পুনা মরী লৈনবা দি সীশিংদগী অয়াবা লৌগদবনি। নোটিশ ফংদ্রিবশিংসু লূপ অসিগী থৌমীশিং লাকপা ঙায়দনা অদোম অদোম্না লৌবুক্তং চথরিবা থবক থৌরমশিং লেপ্পীদুনা মরী লৈনবা দি সীশিংদগী অয়াবা লৌবীয়ু। করিগুম্বা খঙশিন তাশিন্নদনা মখা তানা পামদবা থবক থৌরমশিং অদুমক চথদুনা লৈরম্বা থেংনরবদি লূপ অসিনা চথরকপা অকনবা থবকশিংনা মরম ওইদুনা অকায়-অতোয় অমদি পামদবা থৌদোক কয়া থোরকপদা ইশানা য়ানা লৌফম থোকই। ইরৈচা খুদিংমক্না মখা তানা তান্ননিংবা অমদি খঙনিংবা কয়া লৈরবদি লূপ অসিগী কন্টেক্ট নম্বর ৮৪১৩০১৮৪৫৪দা কোল তৌরকপা য়াগনি। লৌবুক্তা মখল অমত্তগী কন্সত্রক্সন তৌবা য়ারোই হায়না লাউনরিঙৈ চৈরক অসিদা ইরেংবন্দ লৌকোলদা লাইশঙ শানবা হোৎনরক্লি হায়নসু মিকন, লিফ্টকী চেরোল অদুনা মখা তারি।




HL-B/4082/14 oct. -1 nov.